ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯑꯣ
ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯃꯥꯔꯆ ꯱꯳, ꯲꯰꯱꯸, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯱ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯳꯴꯰ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
লৈবাকপোকপা, মার্চ ১৩, ২০১৮, ইম্ফাল
৪১ শুবা চহী, ৩৪০শুবা মশীং

শাবা লোইদ্রিঙৈদা শঙ্গাবা

থবক লোইরবা তুংদা শঙ্গাবদা করি অকায়বা লৈবগে?

বি টি রোদতা লৈবা মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী ওফিসতা হন্দক্তা পাউমীশিংগা উনবদা ওপোজিসন লীদরসু ওইরিবা কোংগ্রেস লূচিংবা ওক্রম ইবোবীনা শাবা লোইদ্রিবা প্রোজেক্ট ময়াম শঙ্গাননবা থৌরাং তৌরিবসি য়াম্না কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে। শাবা লোইদ্রি হায়বদু উৎননবগীদমক কোংগ্রেসকী এম এল এ কয়ামরুমগা লোয়ননা পাউমীশিং য়াওবা টিম অমা চীংমৈরোংদা চৎতুনা সিভিল সেক্রেটেরিয়েটকী হৌজিক ওইরিবা থবক্কী ফিভম য়েংশিনখি। সিভিল সেক্রেটেরিয়েটকী থবকশিং অদু মপূং ফানা লোইশিনদ্রি হায়বদু ময়াম্না উবা ফংখি। মসিগীসু মথক্তা থৌবাল দামগীসু দামগী শরুক খক্তমক লোইশিল্লগা মপূং ওইনা মীয়ামদা ঈশিং পীননবা, ঈথৈ-লৌখোং পীননবা অমসুং পৱার পুথোক্লনবগী প্রোজেক্টশিং অদুদি হৌজিকসু লোইশিন্দনা লৈরি। কোংগ্রেসকী লূচিংবশিংনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিং অদু মাইয়োন য়াম্মী। অতৈ মাইয়োনশিং অদুদি বি জে পিনা লূচিংবা লৈঙাক অসিনা চহী অমা মপূং ফারকপগীনি হায়দুনা প্রোজেক্ট ১০০ হেন্না শঙ্গারিবনি হায়বদু অয়াম্বদি কোংগ্রেসকী মতমদা পায়খৎলম্বা অমসুং চাদা ৯০ গী চাংদা লোইশিনখ্রবা ঙাক্তনি হায়না ক্লেম তৌরকখি। লৈঙাক হায়বসি অমগী মথংদা অমা লাকপনি। মমাঙদা লোইশিনবা নংখিদবা নৎত্রগা শঙ্গাহৌদবা প্রোজেক্টশিং মথংগী লৈঙাক্না শঙ্গাবা নৎত্রগা লোইশিনবদা করিসু হায়নিংঙাই লৈতে। তৌবতদি বি জে পিনা লূচিংবা লৈঙাক্না শারগা মীয়ামদা শিন্নবদৌনা ৱা ঙাঙবগী মতৌ অদু কোংগ্রেসনা য়ানিংদে হায়বদু য়াম্না ময়েক শেংনা থমখি। কোংগ্রেসকী চহী ১৫ গী লৈঙাক মতমদা করিমত্তা তৌরমদবদৌনা মণিপুরদা অঙনবা পুরকপা হায়বসি মমাঙগী লৈঙাক্না করিমত্তা তৌরমদ্রবনিনা চহী মঙা হেন্না চঙগনি হায়না মিনিষ্টর অমনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদু কোংগ্রেস লূচিংবশিংগী থম্মোয়দা তানা থিনবগা মান্নরমগনি হায়না লৌবা য়াই। মদুনা মরম ওইরগা অদুগুম্বা অরানবা ৱাফমদা য়ূম্ফম ওইরগা মীয়ামদা উৎ চাইবা ৱা ঙাঙগনু হায়বসি কোংগ্রেস লূচিংবশিংগী ৱাকৎনি। অতোপ্পা ইসূ অমনা ইমপ্লোয়ীশিংদা তরেৎশুবা পে কম্মিসনগী রেকমেন্দেসন মতুং ইন্না অনৌবা তোলোপ পীবগী ৱাফম য়াওরি। ত্রিপুরাদা সী পি এমগী লৈঙাক লৈরিঙৈদা তরেৎশুবা পে কম্মিসনগী তোলোপ পীবা হৌরম্লে। অদুবু মীখল মতমদা বি জে পিনা সেন্টরদা চৎনরিবা তরেৎশুবা পে কম্মিসন অদুমক তেল্লবা মতম খরগী মনুংদা ত্রিপুরাদা চৎনহনগনি হায়না লাউথোকখিবা অদু মণিপুরদদি করি তৌরবগে হায়বসি মখোয়গী ৱাহং ওইরি। সেন্টরদসু ষ্টেটতসু বি জে পিনা লৈঙাক পায়রগা ইমপ্লোয়ীশিংগী তরেৎশুবা পে কম্মিসনগী তোলোপ পীবা ঙমদবসি কোংগ্রেসনা করিগুম্বা লৈঙাক পায়বগী খুদোংচাবা লাক্লগদি থুনা পীগনি হায়বসিনি।

মণিপুরদা চৎনবী অমা ওইনা প্রাইম মিনিষ্টর নৎত্রগা মতিক-ময়াই লৈবা মীশক অমা ইম্ফালদা লাকপদা প্রোজেক্ট খরা পায়খৎননবা উরেপ-উয়ুং তম্বা নৎত্রগা শাবা লোইশিল্লক্লবা প্রোজেক্টশিং শঙ্গাহনবগী থৌওং অসি ঙম্লিঙৈ মতমদগী চৎনদুনা লাকই। ঐখোয়না উরিবা সিটি কনভেন্সন সেন্টর অসি কোংগ্রেসকী মতমদা শাখিবনি। মসি মপূং ফানা লোইশিনদ্রিঙৈদা মতমদুগী সেন্টরগী লূচিংবশিং লাকপদা শঙ্গাহল্লমখি। মসিদসু নত্তনা মফম কয়াদা শাগৎপা চাউখৎ-থৌরাংগী থবকশিং মপূং ফানা লোইশিনদ্রিঙৈদা শঙ্গাশিনখ্রে হায়বা ৱাকৎ কয়া অমসু লাক্লখি। উখ্রুল ডিষ্ট্রিক্ট হেদক্বার্টরদা ৫০ বেদেদ হোস্পিটাল অমা শঙ্গাগনি হায়না থৌরাং তৌরকপদা মপূং ফানা লোইশিনদ্রিমখৈ শঙ্গাবা য়ারোই হায়দুনা উখ্রুলদা ঈরাং থোকখিবা লৈখি। মতমদুদনা থবক লোইদ্রিঙৈদা শঙ্গাবা য়ারগা হৌজিক্লা অমুক থবক লোইদ্রিঙৈদা শঙ্গাবা য়ারোই হায়বা ৱাফমসিমক্তি ফজবা ৱাৎলি। তৌবতদি থবক লোইদ্রিঙৈদা প্রোজেক্ট শঙ্গাবগী চৎনবী অসি অফবা নত্তে। য়ূম অমা শাবদা অফবা মতম লৌরগা লোইবা লোইদবা হেক্তা চঙলসি হায়বদু লৈঙাক্কী ওইবা অচৌবা প্রোজেক্টশিংদদি তৌফম থোক্তে। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী ইম্ফাল খোঙচৎতা শঙ্গাহন্দবা য়াদবগী থোইদোকপা অরুবা লৈতে। মরম অদুনা শঙ্গাবা হায়বসিদি থবক অদু পূমলোই লোইশিন্দুনা খূৎ থারবা মতুং মীয়ামদা শিন্নবগী থৌরম অদুনি। শাবা লোইদ্রিঙৈদা প্রোজেক্ট অমা শঙ্গাথোকপা হায়বসি করিগুম্বা মতমদা পোলিটিকেলগী ওইবা খুদোংচাবা খরা লৌননবা নৎত্রগা মীয়ামগী পূক্নিং শুমহৎপা য়াননবা অখন্নবা থৌরাং অমনি হায়না লৌরবসু য়াই। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি সিভিল সেক্রেটেরিয়েট অসি হৌজিক শাবা লোইদ্রি। মীওই ময়াম অমা হাপচিল্লগা থবক শুহল্লগসু ঙসি নুমিৎ নীনি হুম্নি অসিদা লোইশিনবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈতে। হাথু-হাথু থবক তৌরগা মদুনা হেন্না ক্বালিটি কন্ট্রোল তৌদবগী ৱাফম লাক্কনি। মরম অদুনা অতৈ থবক লোইরবশিং প্রাইম মিনিষ্টরদা শঙ্গাহল্লম্লবসু শাবা লোইশিনদ্রিবা প্রোজেক্টশিং হেক্তমক শঙ্গাহল্লমসি হায়বগী ৱাখল্লোন অসিদি শৌগৎনিংঙাই ওইদে। মসিনা অহেনবা শেনফম থাদরগা থবক অমুক লোইশিন্ননবা হোৎনবদা মরিং-মরাংবা তাগনি। করিগুম্বদা সেন্টরদগী মতেং খরা লৌগে হায়রবসু শঙ্গাখ্রবা প্রোজেক্ট অমগীদমক কমদৌনা শেল পীগদৌরিবনো হায়বা লাক্কনি। মরম অদুনা চনিং তানা খন্থরগা করম্বনা হেন্না ফগদগে হায়বদু লৈঙাক্না খন্নবীয়ু হায়জনিংই।

••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

লেম্নদি থাররোই

ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,

ঐখোয়গী লৈবাক অসিবু করি করম্বা লৈবাকনো? লৈবাক অসিদা আইনগী মীংদি লৈ অদুগা আইন হায়বদুদি লৈত্রে। লৈবাক অসিগী মী ওইনা লৈরিবশিং অসিনা করম্বা মখলগী জীবনো? ওফিস কাবা, ওফিস মনুংদা চৎনরিবা ফুরিৎখাও শাগৎনবা ফৎত্রবা চৎনবী, খোঙনা চৎপগী কাঙলোন, গাড়ী থৌবগী কাঙলোন, ত্রাফিকপু ঙাক শেনবা মহাজনশিং, করিনো ময়ামসিনা তৌরিবসিবু।

নুমিদাংগী মতমসু ওইদ্রি, নুমিদাংৱাইরমগী মতম ওইরকপদা ঙাইরি। ঐনা হীদাক অমা লৈরুরগা হল্লক্তুনা নাগামপান্দগী ৱাহেংবম লৈকায় তাবা অদুগা উরিপোক্তগী কৈথেল তাবা লমলোং য়ৌরক্তুনা লম্বীদু তঞ্জায় হেক লানশিল্লকপগা ওটো অমা থৌগৎলক্তুনা ঐগী খোঙ নাম্মগী খোঙপাক অসি মাগী ওটো রিক্সোদুগী মমাঙ চাকানা তকশিল্লকখি। ঐহাক তুখি, কনাসু চঙলক্তে, নুপা অনীখক্তংদি চঙলকই। ওটো দ্রাইভরদুনা কদায় কদায় শোকই হংই। ঙহাক্তংদুদদি মপান্দা চৈনা খরা ফাওই অদুম ফজখিনি হায়না অঙাং দ্রাইভরদুগী গাড়ী নম্বরদুগা ফোন নম্বরদুগা লৌহৌরগা অদুম থাদোকখ্রে। ঙাইহাক্কী চৈনা ওইরবোই খনখি। ঐনা য়ূম য়ৌরগা পোথাবা ওইনা ঙাইহাক হিপ্পদা ঐগী খ্বাং নারকপদা নত্তনা ওটোগী মমাঙ চকানা কাখিবা খোংপাক অসিসু নারকই, তৎসু তৎলম্মী। নুমিদাংগী পুং ৮মুক তারকপা অদুৱাইদা ইচানুপীনা চাক চারসি হায়রকপদুদা ফমুংদগী কুমথনবা তৌবদা খ্বাং নাবদগী কুমথবা ঙমদ্রে। ঐনা ওটো দ্রাইভরদুদা ফোন তৌদুনা ঐগী ওইরিবা ফীভম মঙোন্দা হায়বদা মানা হয়েং অয়ূক লাক্কে হোস্পিটাল চৎলসি হায়রকই। নোং ঙান্দুনা অয়ূক্কী পুং ৯মুক তারক্লে অদুবু মাদি লাক্তে। ঐনা ফোন তৌবদা মহাক ঐগী ফোনদু নিংথিনা রিসিভ তৌরক্ত্রে, নুপী অমনা প্রোম তৌবদু তারগা ঐনা শাওনা, হে নুপীনা ঙম্বা নঙ ঐনা লেম্নদি খক থাররোই হায়না চৈখি। অঙাং দ্রাইভরদুগী গাড়ী নম্বর অমদি পার্কিংসু খঙলবনিনা শাওগৎলবা খোইদৌ ফাথনবদি হোৎনৈ অমুকসু ইতোমতা শোঞ্জে থারোই লেম্নদি থাররোই।

অদোমগী - কান্ত

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৬৭

১। পেনাগী খূৎ ওয়না পায়রিবদুনা পুংমায় কৌই। খূৎ য়েৎনা পায়রিবদুনা চৈজিং কৌই। যন্ত্র অসিগা মরী লৈননা ৱাহং অনীসিগী পাউখুম পীয়ু:

(ক) চৈজিংদা হাপ্লিবা শরিক মশীংদু কয়ানো?

(খ) নিংথৌগী থৌগলদা শক্কদবা পেনা শৈরোল কয়া লৈ?

২। "নাকোং থাঙ্গত্তুনা তারি/মপাং কায়নরবা থঙ্গোংগুম/নুংশিৎকী শউম ফাওবা।" পরেংশিংসি জননেতা ইরাবতকী শৈরেং অমদৈ লৌথোকপনি। শৈরেং মমিংদু হায়য়ু।

৩। "অদুঙৈ/মীৎ উইশিন্দুনা খাঙখিবা/ফৈদাপুং ঙসিদি/মায়থোঙ মকা-লাম্বগী খূয়া তুশিৎপা ফংজরে।" পরেংশিং অসিনা 'মীৎ নহাগী পাউখোঙ' কৌবা শৈরেং লাইরিক অমদগী লৌথোকপনি। কবিদুগী মমিং হায়য়ু।

৪। "মহৌশা লাইরেম্বীগী মশাইগোন্দা য়াতারিবী অরুনাচল প্রদেশ" কৌবা লমকোয় ৱারীগী অইবীদু কনানো? মমিং হায়য়ু।

৫। "ইমাগী থবাক মপৈশে/ইহৌরক্ত্রবা খোল্লাংনি/ইচাশিংগী ৱাবা উবদা/ইমা খাঙবা ঙমদরে।" পরেংশিং অসিনা শৈশকপা হামোম নবচন্দ্রগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেং অদুগী মমিং হায়য়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মার্চ ১৫, শগোলশেল নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

হরাউপুরসিদা নোংম-নোংমগী ক্রাইম হেনগৎলকপা

হেক্তা হায়নীংলকই - ৪৭৮

জিতেন নামৈরাকপম

মণিপুরগী খ্বাইদগী চাউবা ফেষ্টিবেলশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা য়াওশঙ কুম্মৈ লোইখিবা হাপ্তা অমা ফাখ্রে। মায়কৈ মায়কৈ খুদিংদগী খোংলকখিবা, লাউরকখিবা মাইক্কী খোঞ্জেল তাদ্রে। পুমঈং-ঈংথখ্রে। য়াওশঙ কুম্মৈগী হরাউ-তয়াম্বা, লাউবা-খোংবা, নিনবা, ঈথক-ঈরাং নেমথখ্রবসু মদুগী ইনিলদি লৈহৌরি। নুমিৎ মঙানিগী থাবলদা নৌনা শকখঙনখিবা পাখঙ কয়া নুজা কয়া ফোনগী লীলাদা মথৌ চিন্নরি। উন্নরমগনি, থেংনরমগনি জাৎ-জাৎকী ৱারী শান্নরমগনি। য়াওশঙ স্পোর্টসতা শরুক য়ারুবা অঙাংশিংদি মহৈদা পূক্নিং লূপ্লখ্রে। লাক্কদৌরিবা ফর্ষ্ট টর্ম এগজামিনেসনগী শেম শাবা হৌনখ্রে। হন্দ্রেট মিটর রেস, স্লো সাইক্লিং রেস, বোরা লমজেল, কেন্দল রেস, ম্যুজিকেল চ্যের রেস, বেল্লুন থুগায়বী, চফু থুগায়বী, লফু কাবীনচিংবা নুংঙাইবা নোক্লিংবতনা থল্লবা স্পোর্টস ফেষ্টিবেল হায়বসু য়ারক্লবা য়াওশঙনা লোইখিবদা মশা পূম্নমক পুমতেক-তেক্লগা লৈহৌবসু য়াওনরি। নুমিৎ মঙানিগী য়াওশঙ কুম্মৈগী মীংদা অবের তৈনবা, ঈশিং চাইশিন্নবা, খৎন-চৈনবনচিংবা থোরক্তনবগী শরুক অমসু ওইনা পাঙথোকখিবা শান্ন-খোৎনবগী থৌরমনা মীয়ামদা কয়া'মুক য়াম্না কান্নবা ফংহল্লবগে হায়বসিসু হংবা য়াবা ৱাহংনি। ঐহাক্না নোংমা তাখি, করিগুম্বা ওকেজন অমদা ঙাঙনখি। সাইক্লিংদা মমিং লৈরবা, গোল্ড মেদল কয়া অমা নেসনল, ইন্টরনেসনলগী থাক্তা, মদুগী এরেনাদা চঙবা ঙমখ্রবী সাইক্লিষ্ট রামেশ্বরিগী স্পোর্টসকী পুন্সি লম্বীসি য়াওশঙ স্পোর্টসতগী হৌখিবনি হায়না। হৌরক্লিবা অঙাংশিংদা শান্ন-খোৎনবগী লমদা ঈথিল পীবা ঙম্বসি য়াওশঙ স্পোর্টসনা ওইরি, থাগৎনীংঙাইনি রামেশ্বরি। মহাক্তসু নত্তনা য়াওশঙ স্পোর্টসতগী নমদুনা চিংথোক্তুনা য়াওহল্লগা নেসনল অমদি ইন্টরনেসনলগী থাক্তা মনা ফংখিবা স্পোর্টস পার্সন কয়া অমসু লৈরমগনি। মসিমক য়াওশঙ ফেষ্টিবেলদগী স্পোর্টস ফেষ্টিবেল ওন্থোরকপনা পীরকপা খুদোলনি হায়বা য়াই।

তৌবতবু য়াওশঙ স্পোর্টস মীটনা মাঙদা ওইগেরা, তুংদা ওইগেরা চৎনরিবা ধর্ম্ম-কর্ম্মগী লীপূন থুগায়বদি ঙম্লোই। চৎনীং-চৎনীংবা ধর্ম্ম চৎপদা অকায়-অতোয় থোকহনবা য়াদবা, হিন্দু, মুসলিম, খৃষ্টানিতি অমদি অতোপ্পা মিং পনবদা লোইবা নাইররোইদবা ইন্দিয়াগুম্বা লৈবাক অমদা কনাগুম্বা অমত্তনা খূৎ থিংজিনবা য়াদে। অদুনবু ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসন্দা সেক্যুলর হায়বা ৱাহৈ অমা হাপ্লিবনি। ৱাহৈশিংসি অমরোমদা ফৈরেংননা চৎখিগদৌরে। তৌবতবু কুমসিগী ওইনদি অইবা কয়ানা হঞ্জিন হঞ্জিন ইনখ্রবা পাউচেদা ফোঙনখ্রবা চজিক ওনখ্রবা য়াওশঙ কুম্মৈদা খূৎ থাজরক্লিবসিগী মরম লৈ। অইবগী ওইনসু য়াওশঙ কুম্মৈ নুমিৎ নীনি/হুমনিদা তেনশিনহনবা ঙম্লোই, মঙানিদি লায়রি তরুকনি শুবা নুমিৎতা ইচা-ইশু ফাওবা স্কুল কাবা ঙমদে। মঙানি চনবগী অহিং ফাওবা থাবল চোঙলুবগী চৈনানা অয়ূক্কী পুং ৮ ফাওবা হৌগৎপা ঙমদে। নঙনা ঙম্বা য়াবরা হায়দুনা চিংথোক্লগা ফুরুরবসু ইথন্তা অঙাওবা তাবা হায়বদু ওইগনি। খ্বাইদগী হেন্না নোক্লিংবা অমনা ঐখোয় মেম সাহেব ফাওবদা স্পোর্টস মীটকী থৌরি চিংনবদা মশা পূম্বা পুমথিল থিন্দোক্লে। ফৈগন-ফৈরু, ফৈবোম, নঙ্গল, পাম্বোম পুমথিৎ থিৎলে হায়দুনা পোত্থাদুনা লৈথোকখ্রে। হনু-হনা ফাওবদা চিংথোক চিংথোক্লগা কনাগী শান্ন-খোৎনবদা শরুক য়াহনবদগী আইচ ওল্লবা ঈশিংনা অশোকপা মফমদা থোম্বা, আইওদেক্স, মেদিক্রিম ভোলিনি ওইন্টমেন্ট তৈবখক্তদা থবক অমা ওইনহৌবা মীওই কয়া কয়ানি। অদুনদি পাপর চাবী, স্পুন রেস, বোরা লমজেল, লফু কাবী, ম্যুজিকেল চ্যের রেসনচিংবনা মতম মাঙহনবা, হকচাং শোকহনবা, শেল তিংহনবগী মথক্তা ওলেম্পিক গেমসতা গোল্ড নৎত্রগা ব্রোঞ্জবু ওইরবসু মনা অমত্তা ফংনীংঙাই নত্তে, মতম লেনবনি হায়না ঙাঙনরক্লিবা কয়াসিসু তাবা চুমগনি। লুরিবসি মথং চহী ২০১৯গী য়াওশঙ লাকপদসু পাউচেদা ইনরক্কনি, হায়রক্কনি কুম্মৈ মতম তেনশিল্লসি মতম-পৈশা মাঙহনগুমসি, লমচৎ মাঙহনগুমসি ফোঙদোক্লরক্কনি মথং-মথং...! অদুবু অমুক্তং য়েংবীয়ু শোয়দ্রবনি মদু পূম্নমক শমুগী মনিংদা পেনা খোংবগুম থোক্কনি। তৌদ-তৌগে হায়রগনা মার্সিয়ল লো চলাইবা তাবা। দিক্টেটরসিপকী রোল লৌবা গভর্ণমেন্ট অমা লীংবা তাবা। নুমিৎ মশীং হেন্না লাং-খোৎপশিং এ কে-৫৬ রাইফল অমনা ব্র-ব্র-ব্র খপথবা তাবা। মদুবু ঙমগদ্রনে? 'ওইসু-ওইরোইদবদা' অসুম্না কম্মেন্ট পীরকপা মীওই য়াম্না লৈখি, লৈরি কুম্মৈপুর মণিপুরদা।

য়াওশঙসু লোইখ্রবনিনা মদুগী ৱা তোকথোকখ্রগা তেনখ্রবা মতম খরদুগী মনুংদা থোকখিবা মথোং হুক্তবা ক্রাইমশিং থেংনরুবদা ঐখোয় অসি করম্বা প্লানেটতা হিংলিবনো, স্পেসতা পাইরিব্রা কায়দনা খনবা মতাংসু য়াওরকই। কয়াদা ঙক্ত্রা য়েংবীয়ু য়াওশঙ হৌখিবদা ঙাইরি অহিং অমদা দবল বেরেলনা খুক্কাপ থিনা কাপ্লগা হাৎতোকই। মীওইবা খুদিংমকসুনি, শা-ঙা, জীব পানবা পূম্নমকসু ওইসনু মানা নোংমৈনা কাপ্লগা হাৎত্রগসু নোংমদি শোয়দনা শিরগদবা মীওই অমবু নংহৌররোই মতাগুম হাৎতোকই। মখোয়গী তোঙানবা ৱাখল অমা লৈরম্বা য়াই মদুমক্তি খঙজদ্রে। অঙকপনি, লাইসেন্স গন পায়বা মীওই অদুক্কী মতিক য়াম্না লৈরে। মরম চানা পায়রিব্রা? মরম চাদনা পায়রিব্রা মেন-মান তাদে। পংপীদা পীথোকই। ঐগী মরুপশিংসু লৈ লাইসেন্স গন পায়বা। মরম চানা পায়বশিংসু, মরম চাদনা পায়বশিংসু ৱাখল তাবা খরা নত্তনা য়ু খরা থকচিল্লগা, ময়াই কাবা চিঞ্জাক খরা চাশিল্লগা 'কাপথোকউরা', 'হাৎতোকউরা' হায়বা ৱাহৈশিংনা মখোয়গী হৈনবী ওইরকপা কয়া অমা থেংনখ্রে। নুমিদাংবু থেংজিল্লক্লবদি খরা থকচিন-চাশিল্লগা মকোকশিং অদু চেকখায়রকপদগী নোংমৈ লৌথোক্লুরগা পংকাপ্তা কাপথোকপগী মখোল অদুম তানবিরমগনি। খঙদে, হরাউনীংঙাই করিসু লৈতে। তানীংদবা পাউ ঙাক্তনি তারক্লিবা, উনীংদবা ঙাক্তনি উরক্লিবা। গাড়ী হুরানবা ফারে, নুপী অঙাংদা কারন তৌরম্লে, হুরানখ্রে, চেনখ্রে, ফারে, হাৎলে, নুংঙাইতবা পাউমক্তনি থেংনরিবসি। য়াইরিপোকলোমদা লাই হরাউবগী তাঞ্জুল শাবা অমদা কাওরুবা অমা মীয়াম চঙদুনা ফুরগা হাৎখিবসু তাই। মহৈরোয়না ওজা ফুরে হায়বসু তাই। তৌহৈদবদা পাপকী থবক ঙাক্তনি চথনরিবসি। মীওইবা ঐখোয়সু সোসল এনিমেলনি, ময়াম পূল্লগা হিংবা পাম্বা শা মখল অমনি। অদুবু মোর্দন এজ হায়গদ্রা সাইন্টিফিক এজ অসিদদি অনী অসি মথক মখা ওন্থোরক্লি। মী উবদা য়াম্না শাথিনা খোংলগা তান্নরম্বা হুইনা মী উবদা মখোয় অমুক চেল্লে। হুই অশেম্বা কিলোদা ৩০০/৪০০ পীখ্রে হায়না তাই। ষণ, ইরোই, হামেং, ওক তূম্না হাৎকৎলক্লে। জঙ্গলগী তমথীখ্রবা শা ফাওবদা মী উবদা হিংহৌনবা হায়দুনা লোৎতুনা চেল্লে। মোব ক্রাইম হায়গেরা মোব রোং জষ্টিশ হায়গেরা মীয়াম চঙদুনা ফারগা হাৎপা, য়ূম-কৈ মৈ থাদোকপা হায়বসি আইন করিনো খঙদবা অঙাউ অফৈশিংগী ৱারেপনি। ওজানা মহৈরোয়শিংদা হৈহন্নীংবদগী দন্দি মচা অমা পীবসি মৈহৌরোলদগী চৎনদুনা লাকই। অদুবু ঙক্লিবদি মহৈরোয় অমনা মঙোন্দগী নোট ফাই হায়বগীদমক ওজা ফুগৎলকপদুমুক ঙকপা লৈখিদ্রে। খল্লকই, ঐখোয় অসিবু নূংগী চক্তা অমুক হঞ্জিল্লক্লব্রা?

পিক্নিক (লমচাক) সিজন

খঙদোকমিন্নসি অমুক্তং : ৪১৭

হাওবম প্রিয়োকুমার



মথায়-থায়নগী মতমদা লমদমসি মীশিং য়াম্না য়াল্লমদে। অদুগা লৌউ-শিংউনবগী লম্না হেন্না মরাং কায়রম্মী। লোয়ননা লৈহাও ফবা লম অমসু ওইরম্মী। অদুনা চান-থক্ক বগী অৱাৎপা লৈনরমদে, হেন্না মরাং কায়রম্মী। চহী ২/৩ কোন্ননবা কৈদা ফৌ পৈশিল্লগা নুংঙাইনা থক-চাদুনা পাল্লম্মী হায়বা লাইওইখ্রবা অহল-লমনশিংনা তাকপীরম্মী। অদুগা মতমদুদা চাওখৎপগী মঙালসু নীংথিনা ফংলমদে। লোয়ননা চাওখৎপগী ৱাহন্থোকলোমদসু থোয়না নৈনরমদবগী মমি চাউনা তাই। অদুনা ৱাখল অমরোমদা, চানবা পোক্লকপনি হায়বগী ৱাখল্লোন্দা খরা নকশিনবগী মমি তাবগুমসু তৌই। অদুনা চাথোকপা, থক্তোকপা, লাঙথোকপা, নুংঙাইথোকপা অসিনচিংবগা শাগোন্নদুনা লৈবগী মমি অদুম্মক তাই হায়বা য়াই। খুন্নাইসিদা লৈরিবা ঐখোয় পূম্নমক হায়রিবা পারী-পুরীশিংদুগী মচা-মশু ঙাক্তনি। অদুননি হায়বা য়াই - চাউনা য়েংবদা খুন্নাইসিদা ৱার্ক-কলচরদগী লাপ্না লৈনরিবা, লোয়ননা অয়াম্বনা থকপা-চাবা, লাঙবা-খেবা অসিনচিংবরোমদা থোয়না পূক্নিং লুপশিন্নরিবসি ওইবা য়াই হায়না লৌবদা পংলান লাল্লোইদ্রা খল্লি।

অসিনা ওইবা তাই খুন্নাইসিগী মীওই অয়াম্বদি কদায়দা করিদা চাবা থকপা, কোয়বা, লাঙবা য়াবা অসিনচিংবশিংবু কোয়থি থিবগুম উরিবসি। মসিদগী হেন্দোক্তুনা নৌনা করি পানখৎপা য়াবা, করি শেমগৎপা য়াবরোমদা মীৎয়েং থম্নবগুমসু উরি। লাঙবা-খেবা য়াবগী মরম চাবা অপীকপা পোইন্ট অমত্তংবু ফংলবদি লাংথজরগে, ঙাওথজরগে, কোয়থজরগেনা অয়াম্বনি। হায়রিবশিং অসি কুম কুমগী মসা-মরেং ফনবা অসুম-অসুম হেনগৎলক্লি। অদুনা বাই-বাই, ন্যু ইয়রনচিংবা লাকপা মতমদদি হাক্কচবদা খূৎ থাজিনবা হায়বদুমক থোক্লিবনি। হৌজিক্তি হোৎপদগী ঈ থোকপগী ফীভম য়ৌশিল্লকপগুল্লে। অদুনা কুম খুদিংগী দিসেম্বর থা লোইরমদাইদগী লমচাক্কী প্রোগ্রাম মথং-মথং শিনবা, লাঙবা হৌনরি। মমাঙঙৈদদি অসিগুম্বা মখলগী লমচাক অসি মপূং ওইনা নুপা নহাখক্তগী ওইনা তৌনরম্মী। মমান-মমান্নবশিংনা কাঙলূপ কাঙলূপ শেম্নরগা চৎনরম্মী। অদুবু হৌজিক্তি ইমুং-মনুং অমদি মতমগী মতুং ইন্না নুপী-নহা কয়াসু চপ চানা মান্ননা শরুক য়ামিন্নরক্লে। মসিদগী ওইরগা খুন্নাইসিদা লমচাক্লা ফিদা চাউনা কল্লক্লিবা, ঙল্লক্লিবসিসু। গ্রেগোরিয়ান কেলেন্দরগী চহী হৌবা নুমিৎ জন্যুৱারী ১দদি, নুমিৎ খুদিংগী ত্রাফিক জাম ওইদুনা চত্থোক-চৎশিন্দা খুরৌ থাংহনবা গাড়ী অয়াম্বা চীংয়াদা-তময়াদা থৌধনরি। লোয়ননা মীওই লিশীং-লিশীং পুথরিবনি। অদুনা মপূং ফাবা জেনরেল ষ্ট্রাইক (বন্দ) অমগুম ইম্ফাল ময়োলদদি দুকান্নচিংবা হাংদবমখৈ খুন্তাক লানশিবগা পাঞ্জক পূমচিক-চিক্লরিবনি। মসি চহী খুদিংগী ওইরক্লিবা মচৎনি।

লমচাক্কীদমক চৎনবা মফমসু অদুম্মক মরাং কায়না লৈ। খরদং পল্লবদা - শিলহৈপুং গার্দেন, শনথেল নেচরেল পার্ক, নুংশিকোল পার্ক, সদুচিরু ৱাটরফোল, মতাই গার্দেন, লৌকোয় পাৎ, সেন্দ্রা, সেকমাইদগী কংলাতোম্বী ফাওবদা লৈরিবা তুরেল খোঙনুং অমদি খোঙবান অসিনচিংবা। অদুবু পূম্নমকসিদগী খ্বাইদগী চৎনরিবা মফম হায়বা তারগদি, ইম্ফালদগী পংলাপ লাপ্তুবা কিলোমিটর ২২ চৎলগা লৈবা সেকমাই তুরেল খোঙবান লোয়ননা খোঙনুংনি হায়বা য়াই।

হায়রিবা সেকমাইগী মফমসিদা কুম খুদিংগী দিসেম্বর থা লোইরমদাইদগীনা ফেব্রুৱারী থাগী ময়ায় চল্লকপা ভেলেন্টাইন'স দে ফাওবা লমচাক্কী প্রোগ্রাম শিল্লগা কাঙলূপ-কাঙলূপ লাক্তুনা থক-চাদুনা নুংঙাই মখেল লাংনৈ। হন্দক্তি ভেলেন্টাইন'স দেগী মফমসিদা লমচাক-চাফম বূক তৌরম্বগী পাউ লৈখি। অদুগা হন্দক চহীদি য়াওশঙ য়ৌরমদাই ফাওবা লমচাক্কী প্রোগ্রাম শীন্নখিবগী পাউসু লৈ। লমচাক্কী প্রোগ্রাম অয়াম্বদি মপূং ওইনা নোংমাইজিং নুমিত্তা অদুগা খরা নেমথনা ছুটিশিংদা পাঙথোক্কে। হায়রিবা মফমসিদা, মতমসিদা চাংচত্তা নোংমাইজিং অমদি ছুটিদা চাউরাক্লা মখোঙ মরি পানবা গাড়ী ১০০গী মথক্তা লাকই হায়রি। গাড়ী অমমমদগী এন্ট্রি ফী ওইনা লুপা ৫০ লৌরি। অদুগা মখোঙ অনী পানবা গাড়ীগীনা লুপা ২০ লৌরি। মফমসিদা মখোয়না টেন্ট খন্দুনা অমদি ওপন হট মচা-মচা শারগা অমদা লুপা ২০০ অৱাইমন ওইনা লৌরগা লমচাক্কী কাঙবুদা শীজিন্নহল্লি। হায়রিবা পূম্নমক মফমদুগী ক্লব অমনা শিল-লাংলগা মখোয়গী ফন্দ দ্রাইভকী মওংদা চত্থবনি। হায়রিবসিগী মথক্তা শেল পীরগা শীজিন্নবা য়াবা খোঙহাম-লুহাম্ফম অমসু নীংথিনা শারগা থল্লি। ময়াম্না চারম-থক্লম্বগী চাইখায়রম্বা পূম্বা মখোয়না শিত্তোক-শেংদোক্লি।

মফমসিদা হায়রিবা মতমসিদা নোংমাইজিং অমদা গাড়ীদগী চাওরাক্লা লুপা লিশীং মঙাগী মথক্তা লাকই হায়। হায়বদি গাড়ী মখোঙ মরি পানবা ১০০গী চাংদা লাক্লি। গাড়ী মখোঙ অনী পানবদা লাকপা মীগী মশীং য়াওরুদনা মখোঙ মরি পানবা গাড়ী ১০০দা লাক্লিবা মীগী মশীং চাউরাক্লা ৫০০ (চাম্মঙা) নি হায়না পাবা য়াই। হৌজিক লমচাক চৎপগী খায়নরিবা শেলনা মী অমদা য়ামদ্রবদা লুপা ৫০০ ওইনরি। অদুনা পীক্লা পারবদা মীওই ৫০০গী অপূনবা শেনফমনা লুপা ২,৫০,০০০ (লাক্ষ অনী লিশীং য়াঙ্খে) নি। মসিগী মথক্তা মহী-মনাইগী অহেনবা শেনফম অমসু লাক্কদৌরিবনি। মসিদা গাড়ী মখোঙ অনী পানবদা লাকপশিংগীদা পাবদা য়াওদ্রিবনি। অদুনা থা অনী-অহুমসিদা নোংমাইজিং অমদি ছুটিশিংদা মফমসিখক্তদা লোইশিনগদবা শেনফম অসি কয়াদি য়ামখ্রে। অদুনা অপূনবা লমচাক চৎফমগী পূন্না পারুরগদি কয়াদা য়াল্লগদবা।

হৌজিক খুন্নাইসিগী ওইরিবা শেম্নীৎলোনগী ফীভমদি শোকচিল্লে খঙনা অদুক্কী মতিক শোকচিল্লবা মওংদা লৈরি। তশেংনা খুন্নাইসিদা শেল পায়রিবদি চাম্মদা তরা য়ৌগদবা নত্তে। শোমদনা মমান্নবশিংগা তোৎন-তিন্নদুনা চৎমিন্নরিবনিনা, ঐদি শেল লৈতে হায়দুনা লৈথহৌবা য়াদবনা অয়াম্বনি। অদুনা লুপা ৫০০ পুথোকপদা ৱানা থোক্লিবা ইমুং কয়াদি খুন্নাইসিদা তিল্লুরবনিনা ঙম্ন-ঙম্নবা হোৎনরগা লুপা ৫০০ থাংদোক্তুনা চৎপসু কোঙ্গায় অমনি। অদুবু অদুগুম্বা ইমুংদুদদি লুপা ৫০০দুনা থা মখায় অমগী এঞ্জাং-নাপি লৈনবা কোন্নগদৌরিবনি। অতৈ ষ্টেটতা শেলনা হৈথরবা, পাথরবা মীওই কাঙলূপ কয়া কয়া লৈরি। অদুবু অসুম্না কমজাও হুল্লগা অরেম্বদা শেল মাঙহন্নদ্রি। শেলগী মতাংদা মখোয়গা য়েংনরুবদা ময়োল ফাওবা চোংফাৎত্রিবা ঐখোয়না অরেম্বদা শেলয়াম থাধরগা মখেল লাংলি। মসিবু চুম্লিবরা? মখোয়দি ঙরাং-নহান লমচাক চাবা চৎলি ঐখোয়সু চৎসি হায়বনা মাঙ থার-থারগা মথং-মথং চৎনরি। অদুনা পাকথোক চাউথোকহল্লক্লি। অমনা লমচাক প্রোগ্রাম হায়বসিদা মহী-মনায়গা কৈদৌনুংদা থাদোক্লদে হায়বদা লানগদবা মান্দে। মসিনা লমচাক্তা ঈনোৎ হাপ্লিবনি। হৌজিক্তি নুপী অঙাং ফাওবনা মদোমদা মীৎয়েং থম্নরকপগী মমি নীংথিনা তাবগুমসু তৌরি। অদুনদি অসুম পাকথোক চাউথোক্লক্তুনা অকোনবদা করম্বা ফীভমদা লাক্কদবা? নাকল অমরোমদনা, নোংমগী চরা নাম্মা ফংনবা হোৎনবদা ইকায়-হঙ্গোয় খঙদবমখৈ লান্থেংনরিবা কোঙ্গায়নি। মদুদা মায় পাক্তবসু য়াওদবা নত্তে। মসি পূম্বা মখোয় মখোয়গী মরাইবক্কীনি হায়না খন্দোক্লগদরা? হৌজিক্তি লমচাকপু খুন্নাইসিগী চৎনবী অমগুম কুম খুদিংগী হেন্না হেন্না মসা মরেং ফন্দোক্লক্লি। মসিনা খুন্নাইসিদা করি কান্নবা পীরিবগে? মসিদগী ঐখোয়না তমজনীংঙাই করি য়াওরিবগে? ঐখোয় খরা খন্থবগী মতম ওইদ্রিবরা? মাঙহল্লিবা শেনয়াম লোয়ননা মাঙহল্লিবা শাংলবা মতম অসিনচিংবসিবু য়েংলুরগা খুন্নাইসিনা লমচাকপু শৌগৎফম থোক্লিব্রা? হোয় মতমগী ঈচেলবু নাথৈদুনা হেক চৎপসু ময়াদ্রি, অদুনা হেক মিনিমাইজ তৌবা য়াবা তৌরগা লমচাকপু পীক্লা উহন্নবা হোৎনহন্নীংই।